থম্মোয় পাউদম **হুইয়েন ইন্দু**

# ফেল ওইরবা লৈবাকসিগী ইকোনোমি

লৈবাকসিগী ইকোনোমি (শেল থুমগী ফীভম) কমদৌরিবগে' হায়বা ৱাহংসি, করিগুম্বদা, ইশানা ইশাদা হংজদুনা ৱাখল মুন্না খন্থবা য়াওবীখ্রবরা? করি খনবীবগে? হান্নদগী, হায়বদি, ঙরাং নহান, চহী মরি-মঙাগী মমাঙদা ওইরম্বা ফীভমদুদগী ফগৎলকপরা? নৎত্রগা, হেন্না ফৎচিল্লক্তবরা? অমদি শোয়দনা ওইরমগনি। ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা য়েংলুদ্রবসু ষ্টেটসিগী ইকোনোমি ফগৎলকই নৎত্রগা ফৎচিল্লক্তে হায়বদু লেপ্পবা নাপচৈ (পেরামিটর) দু কূপ্না য়েংশিল্লুদ্রবসু - পাউচেশিংদা ইনরিবা 'ইমপ্লোয়ীশিংগী তোলোপ অমদি পেন্সনরশিংগী পেন্সন নত্তনা লৈঙাক্কী একাউন্ট'তগী শেল কায়বা পূমথিং থিংজিল্লে' হায়বা পাউ অসিনা তাকই মদুদি ষ্টেট অসিগী ইকোনোমি অঙকপা ফংনা শোকচিল্লে। থা খরগী মমাঙদসু মান্নবা থৌদোক অমা থোকখ্রবনি - রিজর্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী একাউন্ট 'ওভরড্রাফ্ট' তারে (লৌথোকপা য়াবা চাংদগী হেন্না লৌথোক্লে) হায়দুনা মখল খুদিংমক্কী শেল কায়বা য়াহনখিদবা। মমাঙথৈঙে, নিংথৌ পাল্লিথৈঙে মতমগী ৱাহৈদা হায়রগনা ... 'নিংথৌগী শেঙ্গাও (পুক্কে) হাঙবা' হায়বদুনি। করম্বা মওংদা কদায়দগী লৌথোক-লৌশিন/পুথোক-পুশিন তৌদুনা লৈবাক অসি চলাইরিবা টেক্নিকেল ওইবা, ইকোনোমিক টর্মিনোলোজি ময়ামদু শীজিন্নদুনা পাউদমজররোই। অসিগুম্বা ফীভমদা লৈবাক অমা ঙাক্লগা কদায়দগী দিভলপমেন্ট! হায়রুদুনা কান্নদে। লৈবাক শেম্নবা, চাওখৎ-থৌরাং তৌনবা শেল লৈতে হায়বতনি। মিনিষ্টর অমদি অঙম অথৌশিংগী মরন্নাই শেঙ্গাওশিংদদি ৱাৎপা লৈত' পৈরমগনি, লোৎশিন্দুনা থম্লমগনি। অদুগা, হংবা য়াবা ৱাহং অমদি লৈ ... 'লৈবাকসিনা (লৈঙাকসিনা) 'সি য়ৌনা ৱারগা, লুপা ক্রোর কয়া চঙনা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল হুন্দোক্কদৌরিবা শেনয়ামসিসু হুন্দোক্তবা য়াদবরা? ... লম্বী-সরক, ফেষ্টিবেল ভেন্যুগী অকোয়বা ফজহন্নবা কেরিবা, সিটি ব্যুটিফিকেসনগী থীকাগী থবক, কোয়না অমুক্তং চৎলগা য়েংবীরুচো - তাৎ পাৎ, ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী শোয়দনবা, তাৎ-পাৎকী থবক খূৎশু, চাওখৎপগী খোঙজেলসিদা মনীং হন্না চৎলিবসিগী মরমদু শঙ-শঙ উবা ফংগনি। চীন-থীবা, ওইদবা ঙাঙবা হায়বসি পোলিটিসিয়নশিংগী মচৎ অমা ওইবনা অদু তৌরে, অদা তৌরে পংঙাঙ ঙাঙবই ৱানি - লৈবাকসিদি লোইরবনি। পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেট, মিনিষ্টর, এম এল এ, এম পি ময়ামসিনা লৈবাক অসি মাঙহল্লবনি।

ৱারৌবীনু। ৱাহায় অসি হেনজিন্না পংহায় হায়জিনবনি খনবীগনু। মণিপুরগী ৱাদি থমখিসি। মালেমদা মমিং লৈরবা, মোষ্ট ইনফ্লুয়েন্সল পোলিটিসিয়ন অমনি শীংথানরবা, ইন্দিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী লীচিং মখাদা ওইরক্লিবা লৈবাকসিগী ইকোনোমি - অমুক্তং চাউয়েং য়েংলুসি। মাবু চৈবা, ক্রিটিসাইজ তৌবা নত্তেকো। অশেংবা-অচুম্বা, মীৎমাঙসিদা থোক্লিবদুনি পাউদম ওইনা তমজরিবা। থবক ফংদবা, অনইমপ্লোইমেন্টকী চাং, হৌখিবা চহী নিফুমঙাগী রেকোর্দ য়েংবদা, খ্বাইদগী হেন্না ৱাংবা চহী ২০১৭-১৮নি। মীচমশিংনা হিংবা চঙবা পোৎ লৈবগী চাং খ্বাইদগী হন্থবা চহীসু চহী নিফুমঙা হঙ্গৎনা য়েংবদা কুমজা ২০১৮-১৯নি। অতোপ্পা লম কয়াদা থোইদোক হেন্দোকপা মোদিগী এচিভমেন্ট কয়া লৈ। শেঞ্জা থুমজা তৌদবা, পুকচেল শেংবা প্রাইম মিনিষ্টর অমনি - চিংননীংঙাই লৈতে। মতৌ অদুগুম্না, মোদিগী মতমগী 'ইন্দিয়ান ইকোনোমি' খ্বাইদগী হেন্না নীংবা কায়নীংঙাই মশকনি - হায়বসিসু চিংননীংঙাই লৈতে। অফাওবা ইকোনোমিষ্টশিংনা নৈনৈ - মসিগী মরম করিনো? ইকোনোমিক পোলিসি শোয়বনরা? পোলিসি শোয়বদুখক্লা মরু ওইবা মরম নত্তে। মোদিনা কনামত্তবু থাজদে, ইকোনোমিষ্টশিংবু থাজদে, মহাক্কা নক্লা লোয়নজবা কেপিটেলিষ্ট খরা নত্তনা। মসিনি, মহাক্কী মতমদা, 'ইন্দিয়ন ইকোনোমি'না মরায় চায়থরকপগী মরু ওইবা মরম।

খুন্নাইসিদা লৈমিন্নরিবা মী মখল, কাঙলূপ মশেল অমগা অমগা থাজনবা অমদি লৈবাকসিগী রেস্পোন্সিবল সিটিজেনশিংনা 'মশানা মশাবু থাজজবা' (সেল্ফ কনফিদেন্স) হায়বসি, মখোয়না পাঙথোক্লিবা ইকনমিক এক্টিভিটি অদু চাওখৎলক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা য়ূম্ফমনি। অদুবু, মোদি - লৈঙাক (মোদি-রেজিম) অসিদদি - লৈবাকসিগী ইকোনোমি চাওখৎহনবগী মরুওইবা থৌদাং য়ারিবা পূম্নমক্লা খ্বাইদই কিবসি গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিশিং অসিনি। বেঙ্করশিংনা 'লোনি' শিংদা অনৌবা লোন পীবা কি-শেল হাৎলগা চেনখিগদ্রা! ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংনা অনৌবা প্রোজেক্ট পায়খৎপা কি - ফেল ওইদুনা তোক্কদ্রা! অনৌবা থবক পীগদবা, মোদি - মশানা হৌদোকচবা ষ্টার্ট - অপ - প্রোজেক্ট পায়খৎলুরগা দিমোনিটাইজ তৌদুনা, কদাইদই পৈশিল্লম্বা শেনফমনো থিগৎখিবা মতৌদু নীংশিংলুরগা হৌদোক্কদবা কিজৈ। মীপূম খুদিংমকপু থাজবা ঙমদবা মতৌ অদু উরগা, পূম্নমক্কী থম্মোয়দা পোক্লিবা 'ফিয়র-সাইকোসিস' (পংকিদা কিবা মতৌ) অসিননি - মোদিগী ইকোনোমি ফেল ওইবগী মরু ওইবা মরম।

ফেল ওইরবা ইকোনোমি'সিদা মায় পাক্লবা অরায়বা পাম্বৈনি - কন্ট্রোল তৌবীনবা লৈত্রবা, লায়রবা মীয়ামদা শেল-শানবী-প্রাইভেট বেঙ্ক বিজিনেস।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# অলকোহোল এব্যুজ দিসওর্দর অমদি মসিগী লায়েং

অলকোহোলিজম হায়রগসু খঙনবা অলকোহোল য়ুজ দিসওর্দর হায়বসি য়ু থকপনা পুন্সিদা অমাঙবা চৈথেং কয়া পীরক্লবা ফাওবা অদুম্মক থক্লীংদুনা লৈবা অমদি থক্ত্রবদি লৈবা ঙমদবগী থৌওং অমনি। হান্নদি অসিগুম্বা মীওই অমবু অলকোহোলিক হায়না খঙনরম্মী। অদুবু অলকোহোলিক হায়রিবা মমিং অসি চান্নরক্ত্রে হায়দুনা অলকোহোল য়ুজ দিসওর্দর (এ য়ু দি) হায়রগা খঙনরে।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী মতুংইন্না য়ু থকপনা মরম ওইরগা মালেম পুম্বগী ওইনা চহী খুদিংগী মীওই মিল্লিয়ন ৩.৩ শিহল্লি হায়রি।

অলকোহোল য়ুজ দিসওর্দর অসিবু নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওন অলকোহোল এব্যুজ এন্দ অলকোহোলিজম (এন আই এ এ এ) না 'প্রোব্লেম ড্রিঙ্কিং দেট বিকম্স সভির' হায়না দিস্ক্রাইব তৌরি। থৌওং অসিগা লোয়ননা হিংলিবা মীওই অদুনা করম্না অমদি করম্বা মতমদা য়ু থকপা তোক্কনি হায়বা খঙবা ঙমজদে। মখোয়না মতম কয়া য়ুগী মরমদা খন্দুনতা লৈগনি, য়ু থকপা অদুনা মরম ওইরগা ইমুং-মনুংদা, থবক মফমদা অমদি শেল থুমগী লমদা য়াম্না শাথিবা ৱাথোক কয়া থোক্লবফাওবদা থকপগী চাংসু মশানা চাং পুবা ঙমজদে।

চাং য়ামদনা য়ু থকপনদি পুক্লীং ৱাখলগী অমদি হকচাংগী ওইবা খুদোংচাদবা কয়া থেংনগন্দে। অদুবু ময়াম পূনবদা অসুম থকপদগী য়ূ থকপগী চাং হেনগৎলকই নৎত্রগনা চাং নাইনা থক্লক্তুনা এ য়ু দি ওইরকপা য়াই।

**এ য়ু দিগী খুদম অমদি লাইওং খরা মখাদা পীরি:**

- ইন্থন্তা নৎত্রগনা তুমিন্না য়ু থকপা
- য়ু থকপগী চাং পুবা ঙম্লক্তবা
- ঙাইহাক ৱাখল মাঙবা অমদি নীংশিংবা ঙমদবা
- হান্না য়াম্না পাম্না তৌরম্বা হোবিশিং তৌনিংলক্তবা
- য়াম্না থক্লীংবা পোকপা
- হান্না থকখিবা মতম য়ৌরকপদা, মরুওইনা য়ু ফংদবা নৎত্রগনা ফংলোইদবগী মমি উরকপা মতমদা লৈবা ঙমদবা
- থাজদবা মফমদা য়ু লোৎতুনা থম্বা
- হকচাংদা নুংঙাইবা ফাওনবগীদমক থকপা
- য়ু থকপনা মরম ওইরগা থবক থৌরমদা, শেল-থুমগী ফিভমদা, লো, অমদি অতোপ্পা মীওইশিংগা লৈনবা মরীদা অকায়বা য়াওরকপা
- য়ু য়াম থক্ত্রগদি ময়াই কারক্তবনা মরম ওইরগা হেন্না থকপা মথৌ তারকপা
- য়ু থক্তবা মতমদা ওনীংবা, হুমাং অনপ্পী কাংবা, নৎত্রগনা নীকপনচিংবা ফাওরকপা অসিনচিংবশিংনি।

অদুবু মীওই খরদদি হায়রিবা খুদমশিং অসি লৈরগসু য়ু থক্ত্রগদি লৈবা ঙমদবদুদি ফাওদবসু য়াই।

য়ু চাং নাইনা মতম কুইনা থক্লকপনা ব্রেনদা গম্মা-এমিনোব্যুটাইরিক এসিদ (জি এ বি এ) কী চাং অমদি গ্লুটামেটকী চাং কায়হল্লকই।

য়ু থক্লবা মতুংদা ব্রেনদা দোপামাইন লেবেল ৱাংখৎলকই। দোপামাইন লেবেল ৱাংখৎলকপা অসিনা য়ু থকপদা হেন্না নুংঙাইবা ফাওহল্লকপা য়াই। মতম শাংনা নৎত্রগনা য়াম্না শাংদ্রগসু য়ু চাং য়াম্না থক্লকপনা হায়রিবা ব্রেনগী কেমিকেলশিং অসিদা অহোংবা লাকহনবগা লোয়ননা হকচাংদা নুংঙাইবা ফাওনবগীদমক য়ু থক্লীংবা ফাওহল্লকই।

য়ু কা হেন্না থকপা অসি রিস্ক ফেক্টর খরনসু ওইহনবা য়াই, মখোয়শিং অদুদি- জিন, অহানবা ওইনা য়ু থকপা হৌরকখিবা চহী মতাং, য়ু য়াম্না লায়না ফংবা, ষ্ট্রেস, পিয়র ড্রিঙ্কিং, মশাগী ফিরেপ লৈজদবা, দিপ্রেসন অমদি য়ুবু হকচাংনা প্রোসেস তৌবগী মওং অসিনচিংবশিংনি।

অলকোহোল য়ুজেজ দিসওর্দরগী খুদোংচাদবা অসি কনাগুম্বা মীওই অমদা লৈরে হায়বসি মখাদা পীরিবা ক্রাইটরিয়াশিং অসিগী মনুংদা য়ামদ্রবদা অহুমফাওবদা হৌখিবা চহী ১২ গী মনুংদা মশানা থেংনবা ওইগদবনি। ক্রাইটরিয়াশিং অদুদি-

অলকোহোল টোলেরেন্স (য়ু থকপগী নুংঙাইবা ফংনবগীদমক য়ু চাং য়াম্না থকপা মথৌ তারকপা), ৱিদ্রোৱেল সিম্পটোম (য়ু থকপা লেপ্পদা তূম্বা য়াদবা, মশা নীকপা, ওনিংবা অমদি এঞ্জাইটিনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া থেংনবা), থক্কে খনবা চাংদগী হেন্না থক্লকপা, থকপা হন্থনবা হোৎনবদা মায় পাক্তবা, য়ু থকপা অমসুং মরী লৈনবা থৌওংদা মতম লৌবা হেল্লকপা, হান্না য়াওরম্বা থৌদোক ৱাথোক অমদি মীয়ামগা পূনবনচিংবা য়াওরক্তবা, য়ু থকপনা মশা অমদি পুক্নীং ৱাখলদা শোক্লে খঙলফাওবদা থকপা তোক্তবা অসিনচিংবশিংনি।

**থোক্লক্কদবা খুদোংচাদবশিং :**

অহানবদদি য়ু থকপা অসিনা থক্লিবা মীওই অদুগী ৱাখল নুংঙাইহল্লম্মী। অদুবু হকচাং শোক্কদবা চাংদা মতম কুইনা থক্লক্লগদি য়ু থকপা মতমদা অনম অহা চুহল্লকপা য়াই। মসি য়ু অদুনা নর্ভস সিষ্টেম্বু নমশিন্দুনা থম্বদগীনি। য়ুনা মীওই অমগী অচুম অরান লেপ্পা ঙম্বগী পাঙ্গল মাঙহনবা য়াই। সিনা নত্তবা ৱাখল খলহল্লকই অমদি ৱাখল, ইমোসন অমদি লমচৎ শাজৎতা অহোংবা কয়া লাকহল্লি। মসিতা নত্তনা য়ূ য়াম্না থকপনা ৱা ঙাঙবদা চুম্না ঙাঙবা ঙম্লক্তবা, চোকথবা, কাউগনবা, মীৎকী মসল শোন্থরকপা, লিভরগী লায়নাশিং নারকপা, চাকখাউ অমদি থীরিনগী খুদোহংচাদবশিং, হাইপরটেন্সন, হার্ট প্রোব্লেম, দাইএবেটিস, নুপীদা থাগী খোঙ্কাপকা মরী লৈনবা খুদোংচাদবা, নুপাগী ইরেক্টাইল দিসফঙ্কসন, ফিটেল অলকোহোল সিন্দ্রোম, শরু পাথরকপা, নর্ভস সিষ্টেমগী খুদোংচাদবশিং, কেন্সর, এক্সিদেন্ট, য়ূমগী নুপী অঙাং ফূবা অমদি য়ূমলোন কৈরোন্নবশিংগা খৎন-চৈনবা থোক্লকপা, স্কুল নৎত্রগনা থবক মফমগী খুদোংচাদবা, সুইসাইদ, পুক্নীং ৱাখলগী অনাবা, লোনা য়াদবা থবক তৌরকপা অসিনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া থোক্লকপা অসিনচিংবা কয়া থেংনরক্কনি।

# ষ্টেটিষ্টিক্স দিপার্টমেন্টকী অহাঙবা ফমশিংগীদমক ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : দিরেক্টোরেট ওফ ইকনমিক্স এন্দ ষ্টেটিষ্টিক্সতা তোঙান তোঙানবা পোষ্ট খরগীদমক ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জগী ভেকেন্সি এসিষ্টেন্টকা উনবা য়াগনি হায়না ইমপ্লোয়মেন্ট ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্ট এস মসুংঙাইনা থোকপা নোটিশ অমনা হায়রি।

নোটিশ অদুনা হায়, ফমশিং অদুদি প্রাইমারী ইনভেষ্টিগেটরদা ৩০, মসিগী মনুংদা য়ু আর ১৭, এস টি ৮, এস সী ১, ও বি সী (এম) ৩, ও বি সী (এম পি) ১ নি। লৱার দিভিজন ক্লার্কতা ৫, মসিগী মনুংদা য়ু আরদা ৩, এস টিদা ১, ও বি সী (এম) ১ নি। ড্রাইভরদা য়ু আরগী ৩ নি। পিওনদা ৬, মসিগী মনুংদা য়ু আরদা ৩, ও বি সী (এম) দা ১, এস টিদা ২ নি। রিট্টন টেষ্টকী মতম কোন্না লাউথোরক্কনি। প্রাইমারী ইনভেষ্টরগী ওইনা মহৈগী থাক অসি গ্রেজুয়েসন নৎত্রগা মান্নবা ওইগদবনি। লৱার দিভিজন ক্লার্ককী ওইনা গ্রেজুয়েট অমদি কোস ওন কম্প্যুটর কন্সেপ্ট পাস তৌবা ওইগদবনি। ড্রাইভরগী ওইনা মেট্রিক্যুলেট নৎত্রগা শকখঙলবা বোর্দ নৎত্রগা ইনষ্টিট্যুটতগী মসিগা ইক্বেবেলেনন্টওইবা মীওইশিং ওইগদবনি। পিওনগী ওইনসু মেট্রিক্যুলেট ওইগনি হায়নসু নোটিশ অদুনা মখা তারি।

# সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ৯ সেক্তর অসাম রাইফলসকী কৈথেলমানবী বট্টালিয়ন্না শীন্দুনা লিলোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মীট পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ) কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সিক্যুরিটি মীট অদুদা মৈরা পায়বী, ৱার্দ কাউন্সীল্লর অমদি ক্লবকী মীহুৎ কয়াসু শরুক য়াখি। সিক্যুরিটি ইস্যু অমদি মেদিকেল কেম্পনচিংবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়নসু মখা তারি।

# এম ঐচ আর সীদা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী কেম্প সিটিং চহীসিগী মার্চ ১৩ দগী ১৫ ফাওবা মোরেদা পাঙথোকখিবগী ভিদিও দোক্যুমেন্টেসনগীদমক ভিদিও কেমেরা কেমেরামেনগা লোয়ননা হায়র তৌখিবগী শেল পীবীদ্রে হায়না ব্রিদজিং ফোর সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়গী লিদ কোওর্দিনেটর ওনিল ক্ষেত্রিময়ুমনা এম ঐচ আর সীগী চ্যেরপার্সনদা ৱাকৎখ্রে হায়রি।

ৱাকৎ চেরোল অদুদা পল্লিবা মপুং ওইবা ৱাফমদি মোরেদা চহী অসিগী মার্চ ১৩ দগী ১৫ ফাওবা কেম্প সিটিং পাঙথোকখিবগী ভিদিও দোক্যুমেন্টেসন তৌনবা মহাক্কী কেমেরা অমদি কেমেরামেন এম ঐচ আর সীনা হায়র তৌখি। নুমীৎ হুম্নী ভিদিও দোক্যুমেন্টেসন তৌনবা এম ঐচ আর সীগী রেজিষ্ট্রিনা হায়রকপগী মতুংইন্না চৎখিবনি। মনি রিসিপনচিংবসু পীখ্রে। রেজিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী শেনফম অসি পীগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি। অদুবু হৌজিক ফাওবা পীবীদনা লৈরি। শেনফম অসি পীথোকপীয়ু হায়বা অসিনি হায়রি।

## লম্বী শেমগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : খাগেমপল্লিদগী ক্বাকৈথেল তাবা লম্বী অসি য়াম্না ফীভম শোকপনা এ সী অসিগী মীহুৎ ওইরিবা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ২২ দা লম্বী অসিগী পোট হোলশিং শেমগদৌরি। নুমীৎসিদা খাগেমপল্লিদগী ক্বাকৈথেল তাবা লম্বী অসি থিংগনি। খাগেমপল্লিদগী ক্বাকৈথেল তাবা লম্বীগী মফম কয়াদা লৈরিবা পোট হোলশিং মেনগনি হায়না য়ুথ ওর্গনাইজেসন খাগেমপল্লিগী সেক্রেটরি পি সুরজিৎনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## য়ানবা পুরকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২১ (ঐচ এন এস) : লোকচাও মনাক্তা এ আরনা ফ্রিস্কিং তৌবদা কা হেনবা থৌওং চথখি হায়বগী মতাংদা লাকখিবা ৱাফমগী মতাংদা পার্টি অনীগী মরক্তা নেগোসিএসন তৌদুনা য়ানবা পুরকখ্রে হায়না হিল ট্রাইবেল কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট কম চ্যেরমেন জুদিসিয়রি জে াসেফ অমদি ভাইস চ্যেরমেন জ ুদিসিয়রি পি এস গাংতেনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, নাকল অনীমক কৌদুনা নেগোসিএসন তৌখ্রে। কুকি ট্রেদিসনগী থবক কয়া চথখ্রে হায়রি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২২।১১।২০১৯ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৯.০২ ফাওবা হিয়াঙ্গৈগী ২৫ নি পাল্লি, মতুং ২৬নি পানগনি।

**মেষ :** অয়েৎ অপন অমদি য়েক্লবনা য়েংশিনবা খরা লৈরসু নীংবা থুংগনি, মরুপ-মপাংগী মতেং লৌবা য়াগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি অঙম্বনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**বৃষ :** মীতোপ তিন্ননু, মীৱা থাজগনু, খুৎচাও থাগনু, অনম তানগনু অমদি অখঙ-অহৈ শাগনু। মীয়ামগদি লোয়নবা কান্নগনি অমদি খরা ৱাজরসু শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংবৈ নুংঙাইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মিথুন :** মীনা লাকচবা ঙমলোই, নঙগী ওইবা মীনা চানগনি অমদি নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনবনা মায় পাকপা হেনগনি। মীয়ামগা লৈনবা মরীদি ফবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - চরাংনবনা মাঙজবা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কর্কট :** হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, অনৌবা থৌরমদা মহয় য়ানগনি অমদি মীংচৎ ফংগনি। থবক্কী লম্দা মরুপ-মপাংগা মরী ফবদি ৱাৎকনি-খোইরাংবা ফাথৌ।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**সিংহ :** অরাপ্পগী মী লোয়নবা কান্নগনি, থাজদনা নুংঙাইবসু ফংগনি, অফবা লৌশিং ফংগনি অমদি নঙগী ওইবা মীনা চানগনি। য়েক্লবনদি য়েংশিনবা লেপতে।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু-তনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** হরাওবা/নুংঙাইবা, শেল ফংবা অমদি নীংবা থুংগদবা নুমিৎনি। নথক থোংবতা নত্তনা মীয়াম্না য়াম্না চানগনি, মীকোক থোংগনি। হুরানবনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী - মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**তুলা :** খোইরাং খোইশাওবা অমদি ৱা শোইবনা ইকায়-নুংশি য়ান্নবা থৌদোক নংবা য়াবা লৈ। মরম চাদনা থৌনা ফুদোকপা য়াদে। নোল্লুক্লা অমদি ঈংনা লৈয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী - য়াকা য়েংনা চৎপা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** লল্লোন ইতিক্তা শেন্দোং চাউনা ফংগনি, লাই-গুরুনা শোইদনা চানগনি অমদি ঙাঙথোকপদা মীয়াম্না থাগৎনীংগনি। য়েক্লবনা পূক্নিং ৱাহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা খরদি লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**ধনু :** মীপাইরম্বা কোকচদুনা থবক্কী লম্দা মায় পাক্লনি। মীয়াম পুল্লগা চৎপনা নুংঙাইবা অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবগী হরাওবা লৈ। অতোনবনদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা থোইনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** চরাংনবনা নথক থোংবনা চানবীবা ৱাৎপা অমদি লল্লোন ইতিক্তা খুৎচাও থাবা য়াদবা নুমিৎনি। অদুবু ইচং থৌবনা কান্নবা হেনগনি অমদি শেল ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

**কুম্বা :** ৱাঙাঙ শোইরদি অঙম্বনা তাথিগনি, অরং-অরাক চেকশিল্লু, পোরম য়াৎপা হৈবা ৱাৎলি। য়েৎনবগী লম্দদি মায় পাক্কনি, থৌনা লৈবনা থবক পাংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কনবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।


**মিন :** নীংবা শোইদনা থুংগনি, মীচং হেনগৎপা অমদি মীংচৎ ফংগদবা নুমিৎনি। অরুবা থবক্তা নাইতোম পাংগনু-মরুপ লোয়নৌ। অরোন অথুপতি হায়দোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।


থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# মতম, সনামকোয়

তিংথৌনু





Tingthounu is a visual art practitioner.